অবোনমাই হাৎখিবগী থৌদোক হায় কোর্টকী...

লামায় ১গী মখা... কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌওং অদু লৈঙাক অসিগী চেকশিন্দবা থৌওংনি হায়না এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, এম এল এনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, জেলিয়াংরোং বৌদিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং এদভাইজর অবোনমাইবু এন এস সী এন (আই-এম) নি চিংনবশিংনা ফাদুনা পুখ্রগা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অথুবা মতমদা দি জি পিনা মীহাৎ অদুগী অশেংবা রিপোর্ট অমা মীয়ামদা থন্বীয়ু। মফম অদুদা সিফাই অমদি পুলিস লৈনা লৈনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎত্রিবা মরম করিগীনো। মতৌ করম্না হাৎখিবনো হায়বদু লৈঙাক্না পাউখুম পীগদবনি। লৈঙাক অসিনা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলে হায়না লাউরি অদুগা করম্না সিক্যুরিটিগী লাপসেস লৈখিবনো হায়বা ৱাহং হংলদুনা মফম অদুদা দ্যুটি তাখিবা পুলিস ওফিসরশিং পুং ২৪গী মনুংদা চৈরাক পীগদবনি। লোয়ননা হায় কোর্টকী রিটায়ার্দ জজ অমদগী তাদবা জুদিসল ওফিসর অমনা লুচিংবা জুদিসল ইনক্কারি অমা পাঙথোক্লবা ওর্দর থোকপীয়ু হায়খি।

মণিপুরগী সোসল ৱার্কর অমা ওইবদা নত্তনা জে লিয়াংরোং ফুরুপকী লুচিংবা অমবু মীয়াম মমাঙদগী ফাদুনা পুখ্রগা হাৎখিবা অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। লৈঙাক্কী প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়াবা লাকখিবা মীওই অমবু ফারগা পুখিবদা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রগদি খরা লাপ্পা মফমদা পুলিস অমদি সিক্যুরিটিগী লাপসেস লৈবা মফমদদি করম তৌরমগনি হায়খি। ঙরাং দ্যুটি তাখিবা পুলিস ওফিসরশিং চৈরাক পীগদবনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা খঙশিন-উশিন্নদনা তূমিন্না লৈথোক্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। লৈখিদ্রবা অবোনমাই পোলিটিকেল পার্টি অমত্তদা য়াওদ্রগসু থাংমৈবন্দ তরুং খুলদগী তমেংলোং তম্না চৎলগা চীফ মিনিষ্টরগী প্রোগ্রাম অদু শরুক য়ানবা হোৎনখিবনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা পার্টিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ইরেংবম হেমোচন্দ্রনা হায়, অবোনমাই অসি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়াদে হায়না লাউজবা মীওইনি। মহাক জেলিয়াংরোং ফুরুপকী মীওই অমা ওইজরবসু ষ্টেট অসিগী অশেংবা সোসল ৱার্কর অমনি হায়বা য়াই।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর কদাইদা চৎখ্রে, চীফ মিনিষ্টর য়াওবা থৌরম অমদগী মীওই অমা ফাদুনা পুখ্রগা নুংথিল পোবোবতা হাৎতোকখ্রে। থৌদোক অসি অচৌবা ইস্যু অমনি। পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিং কদাইদা চৎখ্রবগে অমসুং মীচম মীয়ামগী সিক্যুরিটিনা কদাইদনো হংখি। সিক্যুরিটিগী এজেন্ট ময়াম অসিগী মরক্তা লাপসেস য়াম্না চাউনা লৈরে। অবোনমাইগী মীহাৎ অসি সুপ্রিম কোর্ট নৎত্রগা হায় কোর্টকী জজ অমনা থিগৎহন্নীংই হায়খি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি হরেশ্বর গোশ্বামি অমসুং টিলোতমাসু শরুক য়াখি। কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা লৈখিদ্রবা অবোনমাইনা হিংলিঙৈদা অকিবা য়াওদনা ফোঙদোক্লম্বা মীয়ামগী ওইবা ৱাফমশিং অদুগীদমক মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎলি হায়বগা লোয়ননা মহাক লৈখিদবা অসি মণিপুর পূম্বগী পুৱারীদা মাঙজবা অমনি হায়খি।

লোয়ননা মরী লৈনরিবা দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং পুলিসকী এস পি পুং ২৪গী মনুংদা লৌথোক্তুনা ঙরাংগী থৌদোক অদুগী থৌদাং মখোয়দা শিন্নগদবনি। মহাক্কুম্বা মীয়ামগী লুচিংবা অমবু মীয়াম তিনবা মফমদগী নমদুনা ফারগা পুখিবদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং পুলিসকী মায়কৈদগী মদুবু থিংনবা করিমত্তা তৌহৌবা ঙমদ্রিবা করিগীনো হায়বা ৱাফমসু হংবগা লোয়ননা থৌদোক অদু তশেংনমক ষ্টেট অসিগী হোম দিপার্টমেন্ট, ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট, মসিগী ক্রাইম ব্রাঞ্চ অমসুং ষ্টেট ইন্টিলিজেন্স ব্যুরো ষ্টেট অসিদা ফেল ওইরে তাকপনি।

লো এন্দ ওর্দর ফগৎলকপগী খুদমলা ...

লামায় ১গী মখা... হায়, লৈঙাক অসিনা মখোয়গী লৈঙাক লাকপদগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলে হায়না মখৌ পোংনা লাউরম্বা অদু নমথাকনি, তৌশিন্নবনি হায়বসি ঙরাংগী তমেংলোংগী থৌদোক অদুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা তাক্লি। লৈঙাক অমগী চীফ মিনিষ্টর অমা য়াওদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমগী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা থৌরম অমগী গেট মনাকমক্তদগী মীওই অমা ফাদুনা পুখ্রগা কিলোমিটর ২৮ হেন্না লাপ্পা মফম অমদা পুথোক্লগা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা হায়বসি চীফ মিনিষ্টর মশামক্কী খূবাক ময়ায়দগী শগুন তৌখিবা থৌদোক অমনি হায়বদা লাল্লোই।

ঙরাংগী থৌদোক অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্না লো পায়রবসু চীংদদি লালহৌবনা ওর্দর পায়রগা লৈরে হায়বা অদুসু উৎলে। অথুৱান অবোনমাইনা লৈখিদবা অসিনা ষ্টেটসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী অমত্ত ওইবগী ৱাখল্লোন অদু থবক্ত ওন্থোকপদা অচৌবা মাঙজবা অমসু ওইরগনি। মরম অসিনা লৈঙাক অসিনসু চীন্দা খক্ত ষ্টেট অসি তংদু লৈতারে হায়না লাউবগী মহুত্তা চহী ৪ মখায় হেন্না লৈঙাক্লকবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মতম মতমগী ওইনা য়ান-য়ানবা অসুম তৌদুনা লৈবগী মহুত্তা অসিগুম্বা মীহাৎ চত্থরকপদা চেন্নবা মীওই খুদিংমক অথুবা মতমদা ফাদুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীগদবনি। থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা অমসুং মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইনবা হোৎনরিবা কাঙলূপ অসি মণিপুরদা লৈহন্দনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্না কোংগ্রেস পার্টিদা লৈরিঙৈদা ষ্টেট অসিদা এন এস সী এন (আই-এম) গী দিজিগনেটেদ কেম্প কয়া লৈরে, মখোয় অসি লৈঙাক্না য়েংশিনবীয়ু হায়না এসেমব্লিদা পুখৎতুনা লাউরমখিবা মীশক অমনি। হৌজিক্তি মহাক্না ষ্টেট অসিদা চীফ মিনিষ্টর ওইরবনিনা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়খি।

অমরোমদা, ষ্টেটসিদা নোংমা কাংদনা বি জে পিগী সেন্টরগী মিনিষ্টর কয়া লাকপসিগী মতাংদা মহাক্না হায়, ষ্টেটসিদা কোভিদকী অদুক ৱানরবা মতম অদুদা বি জে পিগী মিনিষ্টর অমত্তনা ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা লায়না অসিগা মরী লৈনবা থবক অমত্তা তৌদ্রগা হৌজিক ইলেক্সন ময়া য়ৌরক্লবা মতমদা মীয়াম্বু অপংবা শীবা লাকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মরু ওইনা হন্দক লাকখিবা মিনিষ্টর অমত্তনা ষ্টেট অসিদা লুপা অমা ফাওবগী অনৌবা প্রোজেক্ট অমত্তা লাউথোক্লম্বা লৈত্রি। অদুবু মখোয় লাকপগী ওক্লবা হোৎনবদা শেন্মীৎলোন শোক্লে হায়রিবা লৈঙাক অসিদগী য়াম্লবা শেনফম কয়া চৎলিবনি। মরম অসিনা ইলেক্সন ময়া য়ৌরক্লবা মতমদা মণিপুর নুংশিবা শাবা বি জে পি অসি মীয়াম্না লাক্কদবা ইলেক্সনদা চপ চানা পাড়া অমা তন্বীবা মতম ওইরে হায়খি।

অমরোমদা, অথুৱান অবোনমাইবু ফাদুনা পুখ্রগা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা মরালগী মতুং ইনবা চৈরাকশিং পীদ্রিবা ফাওবদি মহাক্কী হকচাং লৌখিরোই হায়না তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ সব দিভিজনগী মনুংদা লৈবা লৈখিদ্রবগী খুন মাচেনলুওং ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অসিবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরদুনা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর লাক্কদবা মফম অমদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মমাঙমক্তদগী মতৌ করম্না মহাকপু নমদুনা ফারগা পুহনখিবনো হায়বা ৱাহংসু থল্লক্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী মচানুপা অরাই অবোনমাইনা ঙরাং লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌখিবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমদা লৈখিদ্রবা অবোনমাই ঙরাং অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা তমেংলোং পোলোগ্রাউন্দ মনাক্তগী এন এস সী এন (আই-এম) গী মীওইশিংনা নমদুনা ফারগা পুখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুগা মহাক্কী হকচাংনা তামৈ অমসুং তমেংলোংগী মরক্তা লৈবা লালাম্বা ভিলেজ গা তাইনবা পালোং ভিলেজগী মনাক্তা লৈবা ষ্টোন ক্রসিং য়ুনিট অমগী মনাক্তগী নোংমৈনা পাল্লগা শিনা ফংখিবনি ।

ইনক্কারি কম্মিটি শেমখ্রে, ভি দি এফ ১ লৌথোকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... অমরোমদা, আই জি পি (ওপস) কী ইন্সত্রক্সন মতুংইন্না হয়েং অয়ূক পুং ১০দগী অনীশুবা এম আরগী সী ও, এস পি (ইম্ফাল ইষ্ট), এস পি (রেলৱেজ), এস পি বিষ্ণুপুর, এস পি (কাংপোকপী) অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবালগী এদিসনেল এস পি (ওপস) না লুচিংদুনা মশীং য়াল্লবা পুলিসকী টিম অমা তমেংলোংগীদমক চঙশিনগদৌরি। টিম অসিদা সেকেন্দ এম আরগী জে সী ও ৩না লুচিংবা পর্সনেল ৬৫ অমসুং থৌবাল কম্মান্দোগী টিম ২ য়াওগনি। মখোয়দা ৫১-এম এম মোর্টার, ২ ইঞ্চ মোর্টার/এল এম জি য়াওনা দিপার্টমেন্টকী অৰৈবা স্নাইপর গনশিংসু ইস্যু তৌগনি হায়রি।

১৩৬ ফগৎলক্লগা ১৯৪ পোজিটিভ ওইরে...

লামায় ১গী মখা... পোজিটিভ ওইখ্রবশিংদি ইম্ফাল ইষ্ট ৩১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১০৯ থৌবাল ৭, বিষ্ণুপুর ১১, ককচীং ৫, উখ্রুল ১৩, চুড়াচান্দপুর ৮, চান্দেল ৬, সেনাপতি, নোনে অমসুং কাংপোকপীদগী মীওই ১/১নি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না লৈখিদবা মীওই ১৮৩৮ শুখ্রে।

অম্বানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা) গী মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা ওজাগী শিনফমদা এল এম এস লো কোলেজ গী প্রিন্সিপাল ফাওবা ওইরমখিবা অমসুং কোলকটা মণিপুর ভবনগী রেসিদেন্সিএল কম্মিস্নরসু ওইরমখিবা এদভোকেট মোইরাংথেম কিরনচান্দনা থা অসিগী ২১দা খোংমন মংজিন কোংবা রোদতা লৈবা মশাগী য়ূমদা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ওনলাইন ভর্চ্যুএল কোন্দোলেন্স মীটিংদা মহাক্না খঙহৌদনা লৈখিদবদা থম্মোয় অশোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাদসু শরুক য়াবা ফোঙদোকখ্রে। উকিল অমসুং লো কোলেজ গী ওজাগী শিনফমদা মায় পাক্লা মথৌ পাঙথোকখিবদা নত্তনা লিটিগেন্টশিংবু মতেং পাংখিবা মহাক্না লৈখিদবদা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা মিনট ২ তূমিন্না লৈদুনা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিখি।

লোয়ননা অম্বাগী প্রসিদেন্ট এম নিলচন্দ্রগী চেরোল অমনা লৈখিদ্রবগী ইমুংদা এসোসিএসনগী মীহুৎ কাংবু অমা চৎতুনা অৱাবা ফোঙদোক্লবা অমসুং ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়ানবা ৱারেপ্লখি।

কঞ্জ্যুমর লাখ ৩.৩৪গী প্রী পেদ...

লামায় ১গী মখা... মতমগা চুনহনবা ঙম্বনি হায়বগা লোয়ননা মসিনা ষ্টেটকী রেভিন্যু হেনগৎহনবদসু মতেং পাংই হায়খি।

ষ্টেট অসিদা মায়োক্লবা এ টি সী মাঙবগী মতাংদা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা মতমদা এ টি সী মাঙহনবগী চাং অসি চাদা ৪৫গী চাংদা লৈরম্বদু হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসি লৈরকপদগীদি শুপ্নতগী চাদা ২০.২৭তা হন্থহনবা ঙম্লে। অদুবু হন্থরক্লিবা চাং অসিদগী অমুক্লা হন্না লাক্কদৌরিবা চহী ২০২৩-২০২৪দদি এ টি সী মাঙবগী চাং অসি শুপ্নতগী চাদা ১২দগীনা ১৫ ফাওবগী চাংদা হন্থহল্লগনি হায়খি।

পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন সেক্টর স্কিম ফগৎহনবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা মাঙজৌননা দিষ্ট্রিব্যুসন রিফোর্মস কম্মিটি (দি আর সী) শেম্বগী থবক মপূং ফানা লোইশিল্লে অমসুং মসিগী এক্সন প্লান অমসুং দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্টশিং শেম শাবগী থবক চথরি হায়খি। লোয়ননা সৌভাগ্য স্কিমগী মখাদা অহেনবা য়ূমথোঙশিংদা মৈ ফংহন্নবগী এদিসনেল সেঙ্কসন পীবিনবা হায়জখিবগা লোয়ননা মাঙজৌননা সেন্টরগী মায়কৈদগী লুপা ক্রোর ১০০গী শেনফম পীরকখ্রবনি হায়নসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা ফোঙদোকখি। মণিপুরগী গ্রীদ সেক্টরদা অহেনবা শেনফমশিং সেঙ্কসন তৌবগী শেমদোক শাদোকপগী থবকসু মথৌ তারি হায়রদুনা মসিদা ওফ-গ্রীদকী লুপা ক্রোর ৬১ অমসুং গ্রীদ সেক্টরশিংগী লুপা ক্রোর ৩৯গী শেনফমশিংসু য়াওরি হায়খি।

মিনিষ্টরনা ঙসি মীফম অসিদা শরুক য়াখিবদা মণিপুরগী ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর এন জি সুভাসচন্দ্র, মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর এম সরত অমসুং পৱারগী কম্মিস্নর কে ঐচ রঘুমনিসু লোয়নখি।

অচুম্বা অমা খঙদোক্লসি : এম এল এ...

লামায় ১গী মখা... মীওই অদুদা ভোট থাদবীয়ু। মীখলগীদমক মচিন-মনাও, শাগৈ-নাতৈ, কৈরোয় লৈকায় য়েংথিনবগী থবক খক তৌবীগনু। নুংশিনবা হায়বসিনা অথোইবা লাইনীংনি হায়খি।

মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা হৌরক্লিবা ইচা ইশুশিং অসিনা তুংদা লৈবাক্কী অচৌবা মীওই অমমম ওইরক্লবা তৌবা য়াবশিং তৌনবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ। পান্দম অসি মপূং ফানা ফংনবা মীয়াম্না মখা তানা নুংশিবীয়ু অমসুং মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী খুদোংচাবা লৌরদুনা এম এল এনা অতোপ্পা রাইভেল কেন্দিদেটশিংনা শীরকপা মরাল কয়া অমমমতা ওইনা মীয়ামদা মচা খায়না শেংদোক্লদুনা ওইদবা ঙাওবশিংদগী হৈরোক এ সীগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু। অচুম্বা হায়বা অসিদি তরং তরংনা লেংদনা অদুমক লৈগনি হায়খি।

হন্দক হৈরোক এ সীগী হান্নগী মীহুৎ এক্স এম এল এ ওকেন্দ্রোনা সেকমাইদা লৌ শঙম অমা লৈরম্বা অদুগী মতাংদা সিটিং এম এল এদা মরাল শীরক্লিবা অদু অচুম্বা অমা খঙদোক্লসি। করিগুম্বা মরাল শীরক্লিবা অদুনা অচুম্বা হেক ওইরম্লবদি রাধেশ্যামনা ভোট লেপ্পুবা অদুগা অরানবা ওইরম্লগনা ওকেন্দ্রোনা ভোট লেপ্পুবা য়াব্রা হায়নসু এম এল এনা ফোঙদোকখি।

মল্টি টাস্কিং ষ্টাফকী মতাংদসু এক্স এম এল এ ওকেন্দ্রোনা য়াম্না নেম্বা থাক্কী পোলিটিক্স তৌরি। ওইদবা কয়া হায়জিল্লগা করিসু খঙজদবা মীয়ামদা য়াম্না থম্মোয় শেংবা, অচুম্বা চৎপা শাবীগনু হায়খি। এক্স এম এল এনা মীয়াম তিনবা মফমদা ‘২০১৩গী পুলিস কন্সটেবলগী রিজল্ট হায়দোক্লবদি ভোট লেপ্লোই’ হায়না ৱাশকখিবা অদু নুপা থোক্লা ৱাশক ঙাকপীয়ু। অদুদি নত্তনা পংহায়দা হায়জিল্লগা মীয়াম্বু হুমদুনা পুগে হায়বগী অমনবা ৱাখল্লোন অদুদি থাদোকপীয়ু হায়খি।

য়াম্না শেংবা শারিবা এক্স এম এল এ ওকেন্দ্রোনা ঙল্লবদি হৈরোক এ সীদা স্কুল অনী শুংশা শাদনা শেল লৌথোকখি, পুলিস ষ্টেসন শাবগী মীংদসু মীয়ামদা অচৌবা নমথাক তৌখি, মীয়ামগী লন-থুম কয়া থুপচিল্লগা পুলিস ষ্টেসন ওন্থোক্তুনা শেনয়াম অমা হাইদৎখি। এম এল এ রাধেশ্যামনা এস পি ওইরিঙৈদসু এক্স এম এল এ ওকেন্দ্রোনা হঞ্চক-ঙাচক শাখিবা কয়ানি। অসিগুম্বা নমথাক কয়াসি মতম চানা ফোঙদোক্লম্বা য়াবনি। অদুবু হৈরোক্কী মতম অমগী এম এল এশিং অসি য়াম্না মোৎপা ওইনা লৈবাক মীয়ামদা উহনবদু পামজদবদগী ফোঙদোক্তনা অদুমক লৈরকপনি হায়খি।

হৌজিক এক্স এম এল এ ওকেন্দ্রোনা বি জে পিগী মী ময়াম অমা কোংগ্রেসতা চঙলক্লে হায়জিন্দুনা মীয়ামদা উৎ চাইরি। বি জে পিদগী কয়াম চৎখিবা, কোংগ্রেসতগীনা বি জে পিদা কয়াম চঙলকপা হায়বদু প্লেটফোর্ম অমদা হেক্তা পুথোক্লসি। মদুদা ওকেন্দ্রোনা চেনবীগনু হায়খি।

মীয়াম্না কোরোনাগী হা-কার লাউনরবা মতমদা মশক উগে হায়বা ফংখিদ্রবা এক্স এম এল এ ওকেন্দ্রোনা হৌজিক্তা ষণ শাও হায়রসু শাজরগে, লু কোকউ হায়রসু কোকচরগে, পীয়ু হায়বদা পীজরগে, মাবু অমুক্তদি মীহুৎ ওইনা থাগৎপীয়ু হায়না মীয়াম তিনবা মফমদা লাউররিবা অসিদা মীয়াম্না থাজবা অমত্তা থমদ্রে হায়নসু এম এল এ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখি।

হৈরোক এ সীদা মতম অমদা মসল পৱর, গন কলচরনা মীখলদা মায় পাক্লম্বদুগী মতম হেনখ্রে। অসিগুম্বা কয়া অসি থেঙ্গাইনগে হায়দুনা রাধেশ্যামনা ভোট লেপ্পলকখিবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুদা বি জে পি হৈরোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চৌরজিৎ য়াওনা অতৈ ইলেক্টেদ মেম্বর কয়া অমসু হৈরোক এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই লিশীং কয়ানা শরুক য়াখি।

"CINE TV MANIPUR"
Only on **ISTV** & **Impact tv**

Now Watching :	**Coming shortly :**
Cine talk, Ningsing Khonthang, Hello Cine tv, Music Video Albums, Manipuri Films etc.	*Cine Quize, Adomgi Wahang Eikhoigi Paokhum, CineTv ga Nongma, Amuktang Unajage, Manipuri Teleplay & Tele Serial, New films etc.*

Ngasimak Adomgi LCO Unabiyu Amadi Subscribe Toubiyu.

ISTV (*Pay Channel*) : SD-112 & HD-125
IMPACT TV (*Basic*) : SD-111 & HD-705

Anouba Thouram Kaya Hapchinbaga Loinana Film Premiere Channel Ama Hangdoktuna Athuba Matamda Anouba Manipuri Filmsing Premiere Show hounabasu Hotnajari.

Cine Tv Adomgini. Cine Tv Meeyamgini.

CINE TV MANIPUR **CINE TV MANIPUR**

HL/P/6919/15-25

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.347683
US Dollar	73.709887
British Pound	101.073264
Australian Dollar	53.639300
Chinese Yuan Renminbi	11.414651
Japanese Yen	0.669959
Malaysian Ringgit	17.628485
Singapore Dollar	54.674104
South Korean Won	0.062811
Saudi Arabian Riyal	19.655970
Thai Baht	2.216659

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	46103.00
Mumbai	–	Rs	46550.00
Delhi	–	Rs	46392.00
Kolkata	–	Rs	46785.00

GAS NEWS

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 09-09-21
B/upto - 11-09-21
Stock 306
7am to 10am

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available
Booking:18-09-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg. Please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 27/08/2021
BOOKING UPTO: 01/09/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO-18-08-2021,
VALID FROM 13-08-2021,
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 84150504az88, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 18/09/21
VALID FROM 03/09/21
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING: BK. UPTO DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

TDK GAS
BK. UPTO 31/07/21.
VF.25/07/21.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 6909614353, 8731992324.
TIMING 9:00 AM. TO 3:00 PM

JRONGMEI SK INDANE WANGOI,
Bking upto 27/7/21
Valid from 17/7/21.
Stk 306,
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

নুপী অঙাং লৈরগা লৈশাবী চেল্লুবা ...

লামায় ১গী মখা... হায়রি। পুলিসনা মঙোন্দা চথখিবা ৱাহং পাউহংবগী থবক্তা মহাক মশানা নুপীমচা অদুদা মহাক ময়ূম পাল্লে অমসুং মচানুপা ১ লৈরে হায়বা খঙহল্লবা মতুংদা মহাক্না নুংশিনরকখিবনি হায়রি। ভিক্টিম ওইরিবী নুপীমচা অদুনা ফোঙদোরকপদসু মহাক্লসু নহা অসিবু ময়ূম-মকৈ পান্দুনা মচা লৈরে হায়বা খঙই। অদুম ওইনমক মখোয় অনী মার্চ, ২০২০দগী মরী লৈনদুনা নুংশিনরকখিবনি। মসিগীদমক মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা মঙোন্দা চৈ-থাংবগী থবক চত্থরকপদগী মহাক্না মোবাইল ফোনদা থা অসিগী ১৯গী নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা নহা অসিবু কৌরবা মতুংদা মশানা য়ানা চেনবনি হায়না ফোঙদোকই হায়রি। ৱাফম অসি পুলিসকী মায়কৈদগী নহা অসিবু ঙসি কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা সবমিট তৌরকখিবা রিমান্দ প্রেয়রদা ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল জন্যুৱারী ৫দা ফোঙলগনি : সী ঈ ও

লামায় ১গী মখা... য়ারগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা প্রি-রিভিজন এক্টিভিটিজ গী থবকশিংসু লেপ্পা লৈতনা চৎথরি। অদুগা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলগী লিষ্টনা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী ৫দা ফোঙগনি। হৌজিক চৎথরিবা অপদেসনগী থৌরাংগী মনুংচন্না সম্মরি রিভিজনগী মাঙওইননা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১দা চহী ১৮ মপুং ফারবদি মখোয়সু ইলেক্টোরেল রোলদা ইনরোল তৌবা য়াগনি। হৌজিক ফাওবগী মনুংদা চৎথরিবা অপদেসনগী থবক-থৌরমশিংগী মনুংদা ফোর্ম ৮০,৩৬৫ রোম রিসিভ তৌরে। মসিগী মনুংদা চাদা ২৫দি ওনলাইনগী খুৎথাংদা ফংখি। মসি অফবা খুদম অমনি। ভোট থাদবগী ইলিজিবল ওইবা মীওইশিংনা অতোপ্পা মফমশিংদসু চৎতনা ওনলাইনগী খুৎথাংদা অমদি মোবাইল এপতা এপ্লিকেসন ফোর্ম সবমিত তৌদুনা ইনরোল তৌনবা হোৎনবিয়ু। পোল্লিং ষ্টেসনগী রেসনেলাইজেসনগী থবকসু অয়াম্বনা লোইশিল্লে। হান্না লৈরম্বা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মথক্তা অনৌবা পোল্লিং ষ্টেসন ৬৪ অমসু হাপচিল্লে। হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন অমগা পোল্লিং ষ্টেসন অমগগী মরক্তা য়ামদ্রবদা কিলোমিটর অনীদগী হেন্না লাপ্পা লৈতনবা থৌরাং তৌরে। মরম অদুনা মীয়াম্না ভোট থাদবা লাকপা মতমদসু খুদোংচাবা হায়বদু ওইরগনি।

ইলেক্সন অসিদা শীজিন্নগদবা ঈ ভি এমশিংসু ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা য়েন্থোকখ্রে। ঈ ভি এম মেছিনশিং অসিসু ফর্ষ্ট লেভেলগী ওইনা ওক্টোবর ৪দগী চেক তৌবা হৌরগনি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা ওইনা মণিপুর অমদি গোৱাদা প্রি-এফ এল সী শীজিন্নদুনা এফ এল সী য়ু মেছিনদা চাওনা মতেং পাংবা ঙম্লগনি। হায়রিবা এফ এল সীগী প্রোসেসকী মোনিটরিংসু সী ঈ ও অমদি ঈ সী আইনা তৌগনি। লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অমদি চাওনা থৌদাং লৌগদৌরিবা দি ঈ ওশিং অমদি দি ৱাই দি ঈ ওশিংগীদমক্তসু ঈ সী আইনা শীন্দুনা ৱার্কশোপকী প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে। অদুগা এফ এল সী সুপরভাইজরশিংগী ওইনা থা অসিগী ২৫দা সী ঈ ওগী ওফিসতা ট্রেনিংসু পাঙথোক্লগনি হায়খি।

লোয়ননা মহাক্না হায়, অহানবা বেটচকী ওইনসু এসিষ্টেন্ট রির্টনিং ওফিসর (এ আর ও) শিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইনসু সেদ্যুল ওফ স্পিসিএল সম্মরি রিভিজন, ২০২২গী মতাংদসু মীফম অমা সেপ্টেম্বর ৯দা পাঙথোকখ্রে।

লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌদুনা মপুং ফাবা য়াম্না ফজবা ফীদমনিংঙাই ওইবা মীখল অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা জোইন্ট ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুর রমানন্দা নোংমৈকাপম অমদি ষ্টেট মীদিয়া নোদল ওফিসর ফজতোম্বীসু শরুক য়াখি।

হিয়াংলম এ সীগী মীপুম খুদিংমক শেন্থোক লম্বী লৈহনগনি ...

লামায় ১গী মখা... তৌরক্তবগী পেন্দবা কয়াদি লৈ। মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোক্লনবগীদমক হেন্না মীৎয়েং চঙবিদুনা থবক তৌহন্নিংই। কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাংলোন ঙাক্তবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মরম অদুনা লোনা য়াদবা থবক তৌরগদি মানা তৌবনা মানা ফংই হায়বদুনি।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুন্সফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা মীখল মায়োক্লগে হায়না খনবিরি?

পাউ : হৌখিবা মতমদা পেন্দবা কয়া অমা লৈখিবদগী হৌজিকমক্কী ওইনদি চপচাবা পার্টি অমদা ভোট লেপকনি হায়বদি লৈতে। অদুবু মীয়াম্না অমদি হিয়াংলমগী মীওইশিংনা য়াবা পার্টি অমদা শোয়দনা ভোট লেপক্কনি। শেল পায়রে হায়দুনা মীয়াম্বু শেলনা লৈবা য়ারনি হায়বা ৱাখল্লোলদা থোক্লরক্লিবা মীহুৎশিং মীয়াম্নসু মশক খঙনা ভোট থাদবিবা ফৈ। ভোটতা শেল য়াম্না চঙহন্দুনা ভোট কাখ্রিবা মীহুৎ অদুনা চঙখ্রিবা শেল হঞ্জিন্নবা অমদি মথংগী ভোটতা অমুক শেল থাদনবা হোৎনবদা মীয়ামগী থবক তৌরক্লোই হায়জনিংই। অদুগা হিয়াংলম এ সীগী মীয়াম্বু নুংঙাই-য়াইফনা লৈনবা হোৎনবা ৱাফমদা য়ুন্সফম ওইরগা ভোট থেংনগনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : হিয়াংলম এ সী অসি এরিয়া য়াম্না চাওবা এ সী অমনি। হিয়াংলম এ সী অসিদা লৈরিবা মীওইশিং চাদা ৭০দি খোইদুম পাৎ অমদি পুমলেন পাৎ অসিদা দিপেন্দ তৌদুনা হিংলি। অদুবু ঙসিদি ইথাই বেরেজনা মরম ওইদুনা ঈশিং থুমজিনখিবা অমদি নাপী ফুমশিংনা ফুমজিনখিবনা ঙা ফাদুনা হিংজরম্বা মীওইশিং হিংবদা অৱাবা কয়া মায়োক্ল রে। লৌ উবসু য়াদবা মরম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা নুং-লৈঙোই পেক্তুনা হিংনরি। মরম অদুনা পাৎ অনী অসি য়াম্না ফজনা শেংদোক্তুনা মীয়াম্না হিংজবা ঙম্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা ইথৈ-লৌখোং ফজনা শেমগৎতুনা লৌ খরা উনরিবা অমদি ফার্ম তৌজরিবা মীওইশিংনা হিংজবা ঙম্নবা হোৎনগনি। হিয়াংলমগী অয়াম্বা মফমশিংদা দিভেলপমেন্টকী মঙাল উদনা লৈরি। অসিগুম্বা অৱাবা ফীভমশিং অসিদগী কন্দুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা থবক তৌগনি। তশেংনা হায়রবদা হিয়াংলমগী মনুংচন্না লৈরিবা খুলশিংদা হেল্থকী সেক্টরদসু য়াম্না ফীভম য়াম্না শোক্লা লৈরি। লম্বী-থোংসু য়াম্না ফৎতনা লৈরি। লম্বী-থোংসু শেমদবা য়াদে। অদুবু মরুওইনা ঐনা এ সী অসিগী তৌগদবা থবক্তি এ সী অসিগী মীয়াম্বু শেন্থোক লম্বী লৈনবা লম্বী অমমম পীনবা হোৎনবা অদুনি। মসিনা অহানবা ওইনা তৌগদবা ঐগী তঙাইফদবা থবকনি হায়জগে।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগা য়েংনরুরবদি মণিপুর কা হেন্না শোৎথবা লমদম অমনি হায়বা য়ারোই। অদুবু ইন্দিয়াগী চাওখৎলবা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুরগদি অদুমক য়াম্না শোৎথনা লৈরি। মসিগী মরম কয়া অমদি লৈ। অদুবু ঐগী ওইবা ৱাখল্লোলদা হায়জবা তারগদি ঐখোয় মণিপুরীশিং অসি থবক অমা তৌরকপা মতমদা শক-মায় য়াম্না য়েংনবগী চৎনবি অমা তৌদুনা লাক্লি, মসি তৌহঞ্জনীংদে। অচুম্বা থবক তৌরগদি থাগৎপীবা সপোর্ট তৌবিবা চঙই। অদুগা অরানবা-ফৎতবা থবক তৌরক্লগদি শক-মায় য়েংদনা লমদম অসিগী তুংগী খল্লগা নঙনা তৌরিবা থবক অদু লাল্লি, মদু তৌগনু হায়বগী থৌনা লৈনা কনখৎতবা ফৈ। সেন্টরদগী অদুমক ষ্টেটকী ফংফম থোকপা ফন্দশিং থাদরক্লিবনি। ফন্দশিং অদু মীয়ামগীদমক ফজনা শীজিন্নহন্নিংই, মতম অদুতদা ইমা লৈবাক মণিপুর চাওখৎপা ঙমগনি খল্লি।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে? পাউ : অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লাইরিক তল্লকখি। কোলকাটাদা গ্রেজ্যুএসন তল্লিঙৈ মতমদা মলেরিয়ানা নারকপদগী মতম খরা লাইরিক তল্লবা মতুংদা পতনাদা অমুক হন্না তমথদুনা গ্রেজ্যুএসন লোইশিনখি। ঐগী অপোকপগী মীংনা মাইবম কুঞ্জো অমদি অপোকপীগী মীংনা মাইবম ওংবি অসেম নিংঙোল বিমোলা কৌই।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা? পাউ: পান্দম অমা য়াওদনা শেল খরা থাদরগা ভোট পংলেপতা লেপ্পা মীওইশিংগুম্না ঐ ভোট লেপ্লোই। ঐগী পান্দম অমগী মখাদা ভোট লেপ্পুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়না থোক্লকপনি। মরম অদুনা ঐনা হিয়াংলম এ সীগী মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কীদমক করিগুম্বা থবক খরা তৌজগে হায়রিবা থবকশিং অসি শোয়দনা তৌবা ঙমগনি। পোলিটিকেলগী ইমুং অমদগী হৌরকপা মরম্না মতৌ করম্না মীয়ামগী থবক তৌগনি হায়বগী এক্সপরিএন্স অদুসু ঐঙোন্দা লৈ। মীয়াম্নসু শেল খক য়েংদনা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা মীরেপশিংদা ভোট থাদবিয়ু। শেল চঙনা মীঙোন্দগী পুশিল্লগা ভোট লেপ্লবদি করিগুম্বা ভোট কাখ্রবদি চঙখ্রিবা শেল হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী থবক তৌরক্লোই। মরম অদুনা মীয়াম্নসু অমদি কেন্দিদেটশিংনসু ভোটতা শেল চঙদনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়জনিংই।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা? পাউ : টোটেল ভোটর লিশিং ২৬ হেন্না লৈ অদুগা পোল্লিং ষ্টেসননা ৩৫ লৈ। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো? পাউ : ঐগী অপোকপনা লৈবাক্কীদমক অমদি এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক তৌগে খল্লম্বা থবকশিং অদু মতম চাদনা লৈখিদবা মরম্না মহাক্না খল্লম্বা অমদি তৌগে খঞ্জরম্বা ৱাৎহৌবা থবকশিং অদু তৌগে অমদি মীয়াম্নসু মীয়ামগী থবক তৌনবা হায়বিরকপদগী পোলিটিক্সতা চঙলকখিবনি। হোয়, মীয়ামগী থবক তৌবা হায়বসিদা পোলিটিক্সতা চঙদনা অদুমক লনাই ওইনা থবক তৌবদি য়াই। অদুবু মীয়ামগী পাকশন্না থবক তৌগে হায়রবদি লৈঙাক্তা য়াওদুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা থবক তৌবা মথৌ তারকই। মরম অদুনা করিগুম্বা অখন্নবা থবক খরা তৌগে খনবদগী পোলিটিক্সকী লম্ অসিদা খোঙদারকখিবনি। লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা মীয়াম্বু ৱাখল তানবা হোৎনবা মথৌ তাই অমদি মীয়ামসু পুকচেল শেংনা চৎমিন্নবা অমদি য়াম্না মথৌ তাই হায়বা ৱাফম অসিসু থমজনিংই।

ৱাহং : করপসন চাওনা লৈরে পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে? পাউ : করপসন হন্থহনসি হায়রবদি লুচিংবদগী হৌনা ব্যুরোক্রেটস, লৈঙাক্কী থবক তৌবশিং অমদি মীয়ামসু য়াওনা পূম্নমক্না পুকচেল শেংনা থবক তৌবা মথৌ তাই। করপসন হন্থহনবা হায়বসি মীওই খরতনা হোৎনরগা ঙম্লোই। হৌখিবা মতমগী লুচিংবশিংনা থবক লৌবদা লুপা কয়া লৌনরে হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা গ্রাস রুটতগী হৌদুনা লুচিংবা ফাওবগী মরক্তা অফবা মরি অমা থমদুনা হোৎনমিন্নবা চঙই। মরুওইনা লুচিংবশিংনা করপসন মুথৎনবগী থবক পুকচেল শেংনা থবক তৌবগী চৎনবী অমা হৌদোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাহং : লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঙাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্না থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঙাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : পুৱারীদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা থিংবা ৱারগদবা পোৎশকশিংদি য়াম্না ফজনা চৎন-কাঙলোন শেমদুনা লিগেলাইজ তৌদুনা চৎনহনবনা হেন্না ফগনি খল্লি। অদুগা দ্রগকুম্বা থিংবা ঙমগদবা ময়াই কাবা চিঙাকশিং অসিদি লৈঙাক্না অমদি মীয়ামগা পুল্লগা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা থবক তৌরবদি শোয়দনা থিংবা ঙমগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না হীরম অসিগী মতাংদা অকনবা চেকশিন-থৌরাং অমদি পোলিসি শেম্বদুনা মতিক চানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা এক্সন লৌখৎহন্নিংই।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে? পাউ : লৈঙাক্না নহা খুদিংদা গভর্ণমেন্ট জোব পিবদি ঙম্লোই। অদুবু গভর্ণমেন্টকী জোব মক পীবা ঙমদ্রবসু মরোমদোম হীংজবা ঙম্নবা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎতুনা হোৎনবিবা চঙই। হৌজিক লমদম অসিদা পাকখ্রবা লৌবুকশিং অসি লৌরোক অমুক্তং লোক্লবা মতুংদা থা কয়া অদুমক হাংদুনা লৈরি। ইথৈ-লৌখোং ফজনা শেম্বিদুনা কুম্বী-কালেন নাইদনা তোঙান-তোঙানবা পোৎথোক কয়া পুথোক্লনবা হোৎনবদা মতেং পাংবিবা য়াই। লোয়ননা স্কিল দিভেলপমেন্টগী থবকশিং শেমগৎ শাগৎতুনা নহাশিংদা শেন্থং কয়া থাদদুনা মতেং পাংবিবা চঙই। শেংনা হায়রবদা মরোমদোম লেপচবা পাম্বা থবক তৌজনিংবা নহা কয়া শেল লৈতবদগী মখুৎ হাঙদুনা লৈরি। মরম অদুনা য়াম্না অরাইবা মওংদা নহাশিংদা বেঙ্কশিংদগী শেন্থং পীনবা হোৎনবদা লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং পায়খৎহন্নিংই। লোয়ননা নহাশিংনসু পুকচেল শেংনা থবক তৌবা মথৌ তাই। ফার্মরশিংনা পুথোকচরিবা পোৎথোকশিং পৎ-পুমদুনা মাঙদনবা থৌরাং-থৌশিলশিংসু পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়জনিংই।